# পুং ২৪ দা অনৌবা কেস ৯৪ থেংনখি, ১০৮ রিকোভর তৌখি

দিমাপুর, জুন ২৯ (এজেন্সী):
নাগালেন্দদা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৯৪ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা মীওই ১০৮ লায়না লাইচৎ অসিদগী মপুং ফানা রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে। অদুগা পুং ২৪ গী মনুং অসিদা নাগালেন্দদা লায়না লাইচৎ অসিনা মীওই অমত্তা শিহনখিদে হায়না ষ্টেট হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

দিপার্টমেন্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা নৌনা থেংনখ্রবা কেস ৯৪ অদুগী মনুংদা দিমাপুরদগী ২১, কিফিরেদগী ৬, কোহিমাদগী ১৪, মকোকচুংদগী ২৬, মোনদগী ২, পেরেনদগী ৮, ফেকতগী ৫, তুৱেনশাংদগী ৫, ৱোখাদগী ২ অমসুং জুনেবোটোদগী ৫ য়াওরি। অদুগা লায়না লায়চৎ অসিদগী মপুং ফানা রিকোভর তৌবা ঙমখ্রবশিংগী মনুংদা দিমাপুরদগী ১৮, কোহিমাদগী ৪১, মকোকচুংদগী ২৩, মোনদগী ৩, পেরেনদগী ২, ফেকতগী ১০, তুৱেনশাংদগী ১০ অমসুং ৱোখাদগী ১ য়াওরি।

অমরোমদা কোহিমা দিষ্ট্রিক্ট টাস্ক ফোর্স (দি টি এফ) না দিষ্ট্রিক্ট অদুদা জুলাই ১ দগী অহানবা তাঙ্কককী ওইনা অথিংবা খরা কোমথোক্লবগী মতাংদা ঙসি খন্নবা হৌখ্রে। দি টি এফনা কোহিমাদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস থেংনবগী চাং হন্থরকখিবা অমদি ষ্টেট অদুগী ওইনা হৌখিবা পুং ২৪ দা মীওই অমত্তা শিহনখিদবনা মরম ওইরগা হান্না থল্লম্বা অথিংবশিং অদুদগী খরা কোমথোক্লবা খন্নখিবনি। অদুবু অথিংবশিং অসি কোমথোক্ত্রিবা ফাওবদি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকা মরী লৈননা লৈঙাক্লা শেমখিবা চৎনা কাঙলোনশিং মীয়াম্না মখা তানা ঙাক্লা চৎকন্দবনি হায়রি।



ষ্টেট অসিদা হৌজিক চত্থরিবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পগী থবক খোঙজেল য়াঙশিনহন্নবা মণিপুর লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা থৌরাংগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, থৌবালনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখিবা মাস ভেক্সিনেসন

# জি এম সী ঐচদা পুং ২৪ গী মনুংদা পেসেন্ট ১২ শিখ্রে

গুৱাহাটি, জুন ২৯ (এজেন্সী):
হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা গৌহাটি মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটাল (জি এম সী ঐচ) তা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সননা মরম ওইদুনা পুন্না পেসেন্ট ১০ শিখ্রে। ৱাফম অসি জি এম সী ঐচকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. অভিজিৎ সর্মানা কনফার্ম তৌখি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সিনিয়র জর্নেলিষ্ট অতানু ভুয়াননা থাগৎপা ট্বিটর পোষ্ট অমদা জি এম সী ঐচতা কোভিদ-১৯ পেসেন্ট ১২ ইখং খঙহৌনা শিখি হায়না ফোঙদোরকখিবা মতুংদা ডা. অভিজিৎ সর্মানা হায়খি মদুদি শিখিবশিং অদু অরুবা ফীভমদা নাবা মীওইশিংনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, শিখিবশিং অদুগী মনুংদা মীওই ৯ আই সী য়ুদা লৈখি অমসুং মীওই অহুমনা ৱার্দতা লৈখি। মখোয় হোস্পিটালদা এদমিসন তৌরবা মতুং পুং ২৪ গী মতুংদা শিখিবনি। মীওই অনী ইমজেন্সি ৱার্দতা শিখি হায়না সর্মানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

দেটা সিট সিয়ার তৌরদুনা ডা. সর্মানা শিখিবা মীওইশিং অদু কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পা অমত্তা য়াওখিদে হায়খি। মহাক্কী মতুং ইন্না পেসেন্টশিং অদু জি এম সী ঐচতা পুরকখিবা মতমদা মখোয়গী ওক্সিজেন সেচুয়েসন লেভেল চাদা ৯০ দগী হন্থখি। মখোয় হোস্পিটালদা খুদক্তা খঙহৌদনা শিখিবা নত্তে। ক্রিটিকেল পেসেন্টশিং ওইনা ৯ না আই সী য়ুদা লৈখিবনি অদুগা অহুমনা ৱার্দতা লৈখিবনি।

# থোং অহাইবী তেকপদা মীওই ৩ থিবা খঙখিদ্রে

ইটানগর, জুন ২৯ (এজেন্সী):
অরুনাচল প্রদেশকী সিয়াং দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা পাঙ্গিন অমসুং বোলেং তাউনশিং শম্নহল্লিবা সিয়োম তুরেলগী মথক্তা শাবা সঙ্গম থোং হায়না খঙনবা থোং অহাইবী অমা তেকথরকপদগী মীওই অহুম থিবা খঙখিদ্রে।

থৌদোক অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্তা থোকখিবনি। থোং অদু তেক্লবা মতুংদা পাঙ্গিন অমসুং বোলেংগী মরক্তা চথোক চৎশিন তৌবা য়াখিদ্রে। থোং তেকপদা থিবা খঙখিদ্রবা মীওই অহুম অদু চকা ১০ কী ত্রক অমদা তোংদুনা লাকখিবনি। থোং অদু তেক্লকপগা লোয়ননা গাড়ী অদু তুরেলদা তাশিনখিবনি হায়রি।

তুরেলদা গাড়ী তাশিনবদা য়াওখ্রবা মীওইশিং অদুগী মশক মমিংশিং খঙবা ঙমখ্রে। মীওইশিং অদুবু থিননবা এন দি আর এফকী টিম অমা অসামগী ধেমাজিদগী মফম অদুদা চঙশিনখ্রে।

# চয়োল ৪গী মনুংদা অহাঙবা ফমশিং খঙহল্লক্লবা হায়খ্রে

গুৱাহাটি, জুন ২৯ (এজেন্সী):
অসামগী গভর্ণমেন্ট দিপার্টমেন্টশিংদা হাঙলিবা ফমশিংগী লিষ্টশিং চয়োল মরিগী মনুংদা সব্মিট তৌরক্লবা ষ্টেট অসিগী ফাইনান্স মিনিষ্টর অজান্তা নিওগনা দিপার্টমেন্টখুদিংমক্তা খঙহনখ্রে।

মিনিষ্টরনা গভর্ণমেন্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংদা অহাঙবা ফমশিংগী লিষ্ট থাগৎলকপগী মথক্তা অনৌবা ফমশিং শেম্নবগী সজেসনশিংসু পীরক্লবা হায়খি। দিপার্টমেন্টশিংনা অহাঙবা ফমশিংগী লিষ্টশিং সব্মিট তৌরক্লবা মতুংদা লিষ্টশিং অদু চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্বাস সর্মাদা পীশিন্দুনা ফাইনেল এপ্রুভেল লৌগদৌরিবনি। দিপার্টমেন্টশিংনা মমাংদা ফাইনান্স মিনিষ্টর অজান্তা নিওগতা অহাঙবা ফম ৮০,০০০ রোম মেনশিনবা য়াই অমসুং মসিদগী হেনবা ফম কয়া অমা শেম্বা য়াই হায়না খঙহনবা লৈখ্রবনি। অজান্ত নিওগনা হায়খি মদুদি, থবক লৌবগী প্রোসেস অদুদা হোম, এদ্যুকেসন অমসুং হেল্থ দিপার্টমেন্টশিংদা প্রাইওরিটি পীগনি। লোয়ননা নৌনা শেম্বা দিষ্ট্রিক্টশিংগী কেন্দিদেটশিংদসু খুদোংচাবা পীগনি। ফাইনান্স মিনিষ্টর নিওগনা হীরম অসিগা মরী লৈননা কোর কম্মিটি অমসু শেমখ্রবনি। কোর কম্মিটি অদু চীফ সেক্রেটরিনা লুচিংই। চহী অমদা ষ্টেট অসিগী নহা ওইবা লাক্ষ ১ থবক পীনবা য়েংশিল্লিবা ষ্টেট লেভেল পেনেল নিওগনা লুচিংলিবনি।

# ঙমখৈগী চয়েৎনবশিং হান্না লোয়শিন্নবা হোৎনগনি: সর্মা

গুৱাহাটি, জুন ২৯ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী মরক্তা ঙমখৈগা মরী লৈননা হেক হেক উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোক্লি। য়ুমথংনরিবা ষ্টেটশিংগা ঙমখৈগী মতাংদা য়েৎনরিবশিং অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরকপা হায়বসি অসাম গভর্ণমেন্টকী মরু ওইবা পান্দমনি হায়না চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মানা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি হায়রি।

ঙমখৈগী মতাংদা চয়েৎনবা কয়া লৈবনা ষ্টেট অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিংদসু চাওনা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লহল্লি। ঙমখৈগী শরুক শেমগৎ শাগৎনবা হোৎনবদা মায়কৈ কয়াদগী চৈথেং পীরকপনা মরম ওইরগা থবক তৌবদা মতম য়াম্না থিন্থহল্লি।

মমাং থাদসু নাগালেন্দগা তাইনবা মফমশিংদা ঙমখৈগা মরী লৈননা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকখি। থৌদোক অদুবু হকথেংননা য়েংশিন্নবা চৎখিবা এম এল এদা ফাওবা নাগালেন্দগী মায়কৈদগী খূৎলাই পায়বা মীওই খরনা এটেক চত্থরকখি।

অসিগুম্বা পামদবা থৌদোকশিং অসি মখা তানা থোকহন্দনবগীদমক অসামনা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা ৱারী শানবা শেম শাবা হৌরে। অমদি ৱারী শান্নরবা মতুং হান্না লৈরম্বা ঙমখৈগী শরুকশিং অদু কায়হন্দনা লৈহন্নবা হোৎনগনি।


অৱাং নোংপোক থংবা ষ্টেটশিংবু চাওখৎহন্নবগীদমক সেন্তরনা শেমখিবা নোর্থ ইষ্ট দিমোক্রেটিক এলায়েন্স (এন ঈ দি এ) গী কনভেনরসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর সর্মানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মীয়াম্না সভেন সিষ্টর্স হায়রগা খঙনরিবা ফজখ্রবা মিংথোল অসি মাঙহন্দনবসু মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়রি।


## ইঙ্খোল অমা য়োঞ্জরি

কাঞ্চিপুর, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি (এম য়ু) মমাংদা য়ূমগা কোন্নন ইঙ্খোল অচৌবা অমা য়োঞ্জরি। পাম্বীবশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

HL-P/9973/30 # 7838137057

## নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নান্থবা, পোন্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোন্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোন্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
HL-B/6972/17/5-15/6 Contact No. 6009147645/8014023792


## SALARY AMADI 7TH PAY (ROP-2019) PITHOKPIYU

Malemgi laina laichat oina COVID-19 na maram oiduna meeyam pumnamak awaba kaya maiyoknaduna siba changba khangdaba makhei wanaraba matamsida Manipur leingakki makhada leiriba MSPCL amasung MSPDCL sinmeesingna tha-thagi khutsumal phanglaga emung-manunggi awat-apa menkhatnariba ahing-nungthil, tumba-chaba changdana COVID-19 lanthengda achouba thoudang louriba sinmeesingi khutsumal tha ahum pithokpidabana sinmeesing asi yamna awaba oire. Sinmeesing asigi khutsumal asi loisang ani asi Manipur leingakki budget-ki Grant no. 23 gi salary Hd. account-ta leirabani adubu salary Hd.-tagi tonganna Grants-in-Aid (GIA) da onthokkhibadagi 2021 gi March tha-dagi May phaobagi tha ahum khutsumal GIA-gi mari-leinaba documents pumnamak mari-leinabasingda pishinjakhraba phaobada matam chana ayaba pibiraktabana hairiba company anigi sinmeesing asi COVID-19 gi awa-cheitheng phanglaga karamna Pandemic asi mayoknagadouribano amasung ma-ong maril tadaba haibadu oire.

Amaromda electricity haibasi mee-oibana hingbada amasung chaokhat lamjelda loinana heeram khudingmakta changdraba yadraba potsak amani amasung masigi sinmeesing asisu COVID-19 Frontline sinmeesingni aduga leingaknasu company anigi sinmeesingdasu 7th Pay (ROP-2019) leingakki makhada leiba tongan-tonganba department singgina phanghanbikhrabasu company ani asigi sinmeesinggidi houjik phaoba ayaba pibidri. Maram aduna MEEU- na sinmeesinggi thagi salary matam chana chang- naina pithokpa amasung 7th Pay (ROP-2019) gi matangda Union-na changsinkhiba khongjang aduga mari-leinana MOA khutyek touduna handokkhiba khongjang adu amuk hanna laktanaba mari-leinabasingna thabakta yamna thuna onthokpiyu haina mari-leinabasingda MEEU-na khanghanjabaga loinana karigumba MOA adu thabakta onthokpiraktrabadi MEEU-na makhal makha kayagi khongjang amuk hanna changsinnaba sem sa-re.

**Sd/- Sanjeet Takhelmayum**
Secretary Publicity,
HL-P/9974/30 The Manipur Electricity Employees' Union


## CROSSWORD-3825



### ACROSS

1 Portray (6)
4 Loftier (6)
8 Go on all fours (5)
9 Afterwards (5,2)
10 Prospect (7)
11 Not in any way (5)
12 Herb used in Indian cookery (9)
17 Spring flower (5)
19 Nevertheless (7)
21 Small river (7)
22 Fight with swords (5)
23 Large wasp (6)
24 Gentle wind (6)

### DOWN

1 Medical practitioner (6)
2 Malleable (7)
3 Large stringed instrument (5)
5 Chanted (7)
6 Severe (5)
7 Fame (6)
9 Without hesitation (9)
13 Beat off, rebuff (7)
14 Malicious retaliation (7)
15 Stiffen (6)
16 Turn to ice (6)
18 Prise (5)
20 Thin crisp biscuit (5)

**Solution 3824**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| P | A | S | S | | T | H | I | R | T | E | E | N |
| E | | T | | C | | A | | E | | X | | E |
| C | H | E | M | I | S | T | | E | T | H | E | R |
| U | | E | | N | | R | | L | | A | | O |
| L | A | P | S | E | | E | A | S | I | L | Y | |
| I | | | | M | | D | | | | E | | O |
| A | N | I | M | A | L | | G | A | N | D | E | R |
| R | | L | | | | A | | R | | | | I |
| | C | L | O | S | E | R | | M | E | R | G | E |
| B | | E | | A | | R | | A | | O | | N |
| O | U | G | H | T | | I | N | D | O | U | B | T |
| A | | A | | A | | V | | A | | T | | A |
| T | A | L | E | N | T | E | D | | V | E | A | L |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-3624

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 5 | 3 | | 1 | | | |
| 2 | 1 | | | | | 6 | | |
| | 3 | 8 | 7 | 9 | | | | |
| | | 2 | | 6 | 5 | | 1 | |
| | | | | | | | | |
| | 4 | | 2 | 7 | | 9 | | |
| | | | | 4 | 7 | 5 | 9 | |
| | | 6 | | | | | 8 | 3 |
| | | | 6 | | 8 | 1 | | |

## Solution-3623

**Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 7 | 9 | 6 | 4 | 3 | 5 | 2 | 1 |
| 4 | 5 | 3 | 1 | 2 | 7 | 8 | 6 | 9 |
| 2 | 6 | 1 | 8 | 9 | 5 | 3 | 7 | 4 |
| 6 | 1 | 4 | 9 | 8 | 2 | 7 | 3 | 5 |
| 7 | 3 | 8 | 5 | 1 | 4 | 2 | 9 | 6 |
| 9 | 2 | 5 | 3 | 7 | 6 | 1 | 4 | 8 |
| 3 | 8 | 7 | 4 | 5 | 9 | 6 | 1 | 2 |
| 1 | 4 | 2 | 7 | 6 | 8 | 9 | 5 | 3 |
| 5 | 9 | 6 | 2 | 3 | 1 | 4 | 8 | 7 |

## EMPLOYMENT NEWS

NIT Silchar Recruitment 2021 recruitment.nits.ac.in: National Institute of Technology (NIT) Silchar invites online applications from eligible Indian Nationals for recruitment of various Non Teaching Positions. The last date for registration of online applications is 2nd July 2021.

| Name of Post | Total Vacancies |
|---|---|
| Registrar | 01 |
| Deputy Registrar | 01 |
| Assistant Registrar | 01 |
| Librarian | 01 |
| Medical Officer | 01 |
| Hindi Officer | 01 |
| Superintendent | 07 |
| Junior Hindi Translator | 01 |
| Technical Assistant / SAS Assistant / Junior Engineer | 37 |
| Senior Assistant | 04 |

Age Limit:
Registrar: 56 years
Deputy Registrar: 50 years
Assistant Registrar: 35 years
Librarian: 56 years
Medical Officer: 35 years
Hindi Officer: 35 years
Superintendent: 30 years
Junior Hindi Translator: 30 years
Technical Assistant / SAS Assistant / Junior Engineer: 30 years
Senior Assistant: 33 years

Pay Scale:
Registrar: Pay Level 14
Deputy Registrar: Pay Level 12
Assistant Registrar: Pay Level 10
Librarian: Pay Level 14
Medical Officer: Pay Level 10
Hindi Officer: Pay Level 10
Superintendent: Pay Level 06
Junior Hindi Translator: Pay Level 06
Technical Assistant / SAS Assistant / Junior Engineer: Pay Level 06
Senior Assistant: Pay Level 04

Educational Qualifications:
Registrar: Masters' degree with at least 55% Marks or its equivalent grade 'B' in the UGC 7 point scale. Holding analogous post. At least 15 years experience.
Deputy Registrar: Master's degree in any discipline with at least 55% marks or its equivalent Grade in the CGPA / UGC point scale with good academic record. Minimum 09 years relevant experience.
Assistant Registrar: Master's degree in any discipline with at least 55% marks or its equivalent Grade in the CGPA / UGC point scale with good academic record.
Librarian: Master's Degree in Library Science/ Information Science/Documentation with CGPA of 6.5 in 10 points scale or at least 60% marks or its equivalent or equivalent grade. Holding analogous post. At least 10 years relevant experience.
Medical Officer: MBBS Degree or equivalent qualification included in any one of the Schedules to the Indian Medical Council Act, 1956 (102 of 1956) and must be registered in a State Medical Register or Indian Medical Register.
Superintendent: First Class Bachelor's Degree / Master's Degree or its equivalent. Knowledge of Computer applications viz., Word processing, Spread Sheet.
Hindi Officer / Junior Hindi Translator: Master's Degree in Hindi with English as a compulsory or elective subject or English with Hindi as a compulsory or elective subject or Vice versa.
Technical Assistant: First Class or equivalent Grade in B.E. / B.Tech. / MCA in relevant subject (OR) First Class Diploma in Engineering in relevant Field with excellent academic record (OR) First Class Bachelor's Degree / Master's Degree in Science.
SAS Assistant: First Class Bachelor's Degree in Physical Education. Strong record of participation in sports and drama / music /films / painting / Photography / journalism event management or other student/ event management activities during college / University studies.
Junior Engineer: First Class B.E. / B.Tech. in Civil/ Electrical Engineering from a recognized University or Institute (OR) First Class Diploma in Civil/ Electrical Engineering with excellent academic record.
Senior Assistant: Senior secondary (10+2) / Matric with 12th Class from a recognized board with a minimum Typing speed of 35 w p m. and proficiency in Computer Word Processing and Spread Sheet.
Selection Process: Written test / Skill Test / Interview,
Application Fee: Not Specified.
How to Apply:
Eligible candidates apply online through NIT Silchar Recruitment Portal. The last date for submission of online application form is 02/07/2021. The applicant must upload all relevant documents, self-attested, in connection with the credentials claimed by him / her in pdf format at the time of filling up of application form. Candidates are requested to provide their active email Id/ mobile phone numbers in the application form for easy contact.
After submission of the application, the scanned copy of the application form duly signed by the candidate along with documents uploaded at the time of applying has to be forwarded to the Email Idnfapt_21@nits.ac.inwith Subject line "Application for the post of <Name of the Post> : <Applicant Name>".

OSSSC Revenue Inspector Recruitment 2021: Odisha Sub Ordinate Staff Selection Commission (OSSSC) Bhubaneswar invites online applications from eligible candidates for recruitment of 586 District cadre posts of Revenue Inspector on contractual basis in various district establishments under the Revenue and Disaster Management Department of Government of India. The OSSSC Revenue Inspector 2021 online registration process will be start from 24th June 2021 and scheduled to be held on 23rd July 2021.

| Name of Post | Total Vacancies |
|---|---|
| Revenue Inspector | 586 |

Age Limit: 20 to 32 years as on 1st January 2021. Age Relaxation as per Govt. Rules.
Pay Scale: ? 35400/- (Pay Matrix Level - 9, Cell - 01)
Consolidated Monthly Remuneration ? 16,880/- per month
Educational Qualifications:
The candidates must have passed a Bachelor Degree examination in any discipline or equivalent qualification.
Candidates having Knowledge in Computer Application.
A Candidate must be able to speak, read, write Odia and have passed Middle School Examination with Odia as a language subject.
Selection Process:
Written Test
SKill Test
Application Fee:
100/- examination fee for General and OBC category candidates.
No fee for SC, ST, PwD category candidates.
The fee should be made through online payment mode.
How to Apply: Eligible Interested candidates should apply online through OSSSC Online Application Portal (osssc.gov.in). The last date for registration of online applications is 30/07/2021.

